# ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোয় সানিয়া মির্জা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসতা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



লন্দন, জুলাই ০১ (এজেন্সী): চহী অসিগী অহুমশুবা টেন্নিস মশান্নগী গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সানিয়া মির্জানা যু এস এগী পার্টনর বেথনি মাটেক সেন্দসকা প্যের ওইরগা অহানবা রাউন্দদা ৬শুবা প্যের মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

সানিয়া মির্জা অমদি বেথনি মাটেকনা ঙসি শান্নখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ প্যের ওইখিবা যু এসকী দেসেরি ক্রাওজিক অমদি চিলিগী এলেসা গ্বারাচিগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু য়াম্না মান্ননা শান্নবা ঙমখ্রবসু গেম ৫-৫ মান্নরম্বদগী ইন্দিয়া অমসুং যু এসকী প্যের অদুনা থংনবা গেম অনী থোইরগা ৭-৫দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা সানিয়া মির্জা অমসুং বেথনি মাটেক সেন্দসনা চিলি অমসুং যু এসকী প্যের অদুগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী প্যের কুদরমেটোভা অমসুং ভেসনিনা অমদি কজাখষ্টানগী রাইবাকিনা অমসুং রসিয়াগী পাব্লুচেনকোভাগী প্যের অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱিম্বলদনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা মঙাশুবা সিদেদ রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা অহানবা রাউন্দদা সাউথ অফ্রিকাগী এল হেরিশপু ৬-১, ৬-২, ৭-৫দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী এফ ফোগনিনিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ স্পেনগী বোটিষ্টা অগুটনা সর্ভিয়াগী কেমানোবিচপু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী দি কোফরগা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় এন্দি মুরেনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী শান্নরোয় ওটেবু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোয় কানাদাগী দি সাপোভালোপকা লম্বা তৌনরগনি।

ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী এ ব্লিনকোভাবু ৬-৪, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা যু এস এগী সী বান্দেৱেগিবু ৪-৬, ৬-২, ৬-২দা থোইরম্বী চেক রিপব্লিককী কে সিনিয়াকোভাগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী যূম্বু লৈবাক গ্রেট বৃটেনগী কে বোল্টরবু ৪-৬, ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী ঈ অলেজেন্দ্রোভাগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় চেক রিপব্লিককী বি ক্রেচিকোভানা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী এ পেকোবিচপু ৭-৫, ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী এম কোষ্ট্যুকপু ১-৬, ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বী লাটভিয়াগী এ সেবাষ্টোভাগা শান্নরগনি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী শান্নরোয় এম লিনেটকী মখূৎতা ৩-৬, ৪-৬তা মায়থীহৌরে। মায় পাক্লবা লিনেটনা অহুমশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী ৱাই পুটিনসেভাবু ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্বা স্পেনগী পি বাদোসাগা লম্বা তৌনগদৌরি।

যু এস এগী এস রোজর্সনা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী এম সাকারিবু ৭-৫, ৬-৪দা অনীশুবা রাউন্দ থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা যু এস এগী সী লিয়ুবু ৬-৪, ৬-৪দা থোইরম্বী কজাখষ্টানগী ঈ রাইবাকিনাগা থেংনরগনি। রসিয়াগী পাব্লুচেনকোভানা ৩শুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিককী মুকোভাগা শান্নগনি।

# টোকিও ওলিম্পিক্সতা ভাবোকশিং মীৎয়েং তাহনবগী মতাংদা অরেপ্পা লৈত্রি

টোকিও, জুলাই ০১ (এজেন্সী): মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক্স গেমসকী যূম্বু জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা ওলিম্পিক্স গেমস অসিদা ভাবোকশিং মীৎয়েং তাবা য়াহন্নবগী অরেপ্পা খোঙথাং লৌবা ঙমদনা লৈরি।




টোকিও সিটিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস য়ামখৎলকপদগী মখা তানা ওলিম্পিক্স গেমস অসিনা লায়নালাইচৎ অসি হেন্না শন্দোরকপা য়াবগী খূদোংচাবা লৈবা মরম্না মমাংদা ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজর অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না মীরমগী ভাবোকশিং য়াওদ্রবসু জপানগী ওইবা ভাবোকশিং খরমখৈদি মীৎয়েং তাবা য়াহন্নবগীদমক ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং অদু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিনা চপ চানা ৱারোলশিং অদুথবক্তা ওন্থোকপা য়াগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরি।

প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ভাবোক য়াওদনা ওলিম্পিক্স গেমস অসি পাঙথোকপগী চপ চাবা ফিরেপ লৈ। অদুবু কোভিদ-১৯গী অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা জপান মচাশিংনা ওলিম্পিক্স গেমস য়েংবা য়াবগী কাঙলোন খরা পীরম্বা অদুদা খন্থরগা অরেপ্পা অমা লৌবা ঙমদনা লৈরিবনি হায়রি।

পনবা য়াই, টোকিওদা ঙরাং কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৬৭৩ কনফর্ম তৌখি। হায়রিবা অনৌবা কেস অসি চয়োল ১২ চুপ্পা মশীং হেনগৎলকপগী চাং অদু হন্থদ্রিবনি। মরক অসিদা টোকিও মেট্রোপোলিটান লৈঙাক্কী মেদিকেল এদভাইজর ওইরিবা ডা. মিটসুকাকুনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ-১৯গী অনৌবা দেল্টা ভেরিএন্টকী অনৌবা কেস লাক্লিবা অসিনা ফীভম অসি অরুবা অমদা লৈরিবনি। মমাংদা টোকিও সিটি খক্তা নৎতনা থংনবা সিটি খরসু কোভিদ-১৯ ইমর্জেন্সি থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈরিবনি। থা অনী চুপ্পা টোকিওদা কোভিদ-১৯গী ইমর্জেন্সি থমখ্রবা মতুং অতোপ্পা মফম খরদা ইমর্জেন্সি অদু লৌথোকপা হৌখি। মদুনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলকপগী মমি অমসু তারি হায়না এদভাইজর অদুনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চয়োলদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা দিসিপ্লিন কয়া পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিংদা চাদা ৫০গী চাংদা ভাবোকশিং মীৎয়েং তাহনবা য়াগনি নৎত্রগনা য়ামদ্রবদা ভাবোক লিশিং ১০ চঙবা য়াগনি হায়বগী ৱারেপ ফোঙদোকখিবনি। হায়রিবা ৱারেপ অসি লৈঙাক্না থম্লিবা কোভিদ-১৯গী ইমর্জেন্সি লৌথোক্লবা মতমদা ওইগদবনি। অদুবু ফীভম লুশিল্লক্লি হায়খি।

# আই লীগকীদমক্তা ক্লবশিংগী মায়কৈদগী এপ্লাই তৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা কর্নাটাকাগী বেঙ্গলুরু সিটিদা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী ক্লব অনী নোমিনেট তৌগদৌরি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পীরকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদগী এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স কোচ ফংলবা অমনা হেদ কোচ ওইবা ক্লবশিংনা ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন অসিগীদমক্তা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ক্লব লাইসেন্সকী মতাংদা লৈরিবা হীরম খূদিংমক পাউ ফাওদোক্কনি হায়রি।

এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স কোচ অমনা হেদ কোচ ওইবা ক্লবশিংনা হিরো আই লীগ ক্বালিফায়িং অসিগীদমক্তা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

অস্ফাগী অতোপ্পা চেরোল অমদা জুলাই ২৪দগী জপানগী কোনুং টোকিওদা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স গেমসতা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৫না শরুক য়াগদৌরিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। শান্নরোয়শিং অদুদি, হোক্কী মশান্নদা নুপাগী ওইনা শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা, নুপীগী হোক্কীদা পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, জুদোদা লিকমাবম শুশিলা, বোক্সিংদা এম সী মেরি কোম অমসুং ৱেথলিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনুনি।

# লিওনেল মেসিগী বর্সেলোনা কন্ট্রেক্ট লোইরকপদগী মখা তানা অতোপ্পা ক্লবশিংনা লৌগদ্রা নৎত্রগা বর্সেলোনাদা শান্নগদ্রা খঙদ্রি

মাদ্রিদ, জুলাই ০১ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল শান্নবা শান্নরোয়শিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা বেলোন দি'ওর মনা ৬লক ফংবা ঙমখ্রবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা মহাক্কী প্রোফেসনেল করিয়র হৌরকপদগী শরুক য়ারক্লিবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনাগা লৈনবা কন্ট্রেক্ট অদু জুনথাদা লোইখিবদগী মহাক হৌজিক অতোপ্পা ক্লবনা লৈগদ্রা নৎত্রগা বর্সেলোনা ক্লবনা অদুম্মক থমখিগদ্রা হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি।




বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লব কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অমদি অতোপ্পা হীরম কয়াদগী পূনশিল্লগা য়ুরো বিলিয়ন ১গী শেনফম পুথদুনা লৈরি। মরম অদুনা লিওনেল মেসিবু মখা তানা ক্লব অদুনা থম্নবগীদমক্তা অচৌবা শেনফম অমা মথৌ তারি।

পনবা য়াই, লিওনেল মেসি মশাগী চহী ১৩দগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা শান্নরকখিবনি। মহাক্না বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী ওইনা মেটচ ৭৭৮ শান্নদুনা খ্বাইদগী মেটচ য়াম্না শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইরি। লোয়ননা মহাক্না ক্লব অদুগীদমক্তা শরুক য়াদুনা তোঙান-তোঙানবা টাইটল ৩৪ লৌবা ঙমখি। মসিদসু নৎতনা লিওনেল মেসিনা ক্লব অদুগী ওইনা শান্নরকপা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা পাঞ্জল ৬৭২ চন্দুনা খ্বাইদগী মাঙজিল থারি। মেসিনা ক্লব অদুগীদমক্তা শান্নরকপদা পাঞ্জল চন্নবগীদমক্তা এসিষ্ট তৌখিবা অদুসু তাঞ্জা ২৮৮ শুদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি। চহী ১২১ শুরবা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী ওইনা লিওনেল মেসি হায়না মীয়াম্না খঙনরিবা শান্নরোয় অসি ক্লব অসিগী মমিংগা মান্নবগুম তৌরবনি।

ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট জোন লাপোর্টানা ফোঙদোরকপদা, লিওনেল মেসি মখা তানা ক্লব অসিদা শান্নবা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী তংদাবা অমা ফোঙদোক্ত্রবসু পাখৎকনু হায়বগী ৱারোল থমখি। কুমজা ২০১৭তা মেসিগী অনৌবা চহী ৪গী কন্ট্রেক্ট ইনখিবদা য়ুরো মিলিয়ন ৫০০ রোমগী শেলদা য়ানখিবনি।

হৌজিক-হৌজিক মেসি অতোপ্পা ক্লবশিংনা লৌশিনবা মতমদা শেল তিংদনা লৌশিনগদৌরিবনি। অদুবু মখা তানা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা মহাকপু শান্নহনবা তারবদি শেল তিংগদৌরি। মমিং লৈরবা অতোপ্পা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা লিওনেল মেসিবু কন্না পাম্লিবশিংগী মনুংদা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন ক্লব য়াওরি। অদুবু বর্সেলোনানা মেসিগী কন্ট্রেক্ট অদু মখা তানা শাংদোক্ত্রবদি শান্নরোয় অসিনা শান্ননিংবা ক্লবতা শান্নবা য়াগদৌরি।

# স্রিকান্ত অমসুং প্রনিথপু বি এ আইনা খেল রত্নাগী রেক্কমেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০১ (এজেন্সী): বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী নুপাগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অনী কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সাই প্রনিথপু লৈবাক অসিগী শান্নবগী হীরমদা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক নুপাগী মায়কৈদা সাই প্রনিথ ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। অদুবু কিদম্বী স্রিকান্ত তোঙান-তোঙানবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট কয়া অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখিবদগী মহাক্কী খূদোংচাবা অদু ফংহৌদবনি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সাই প্রনিথপু খেল রত্না এৱার্দকীদমক রেক্কমেন্দ তৌখ্রবা মতুং অর্জুনা এৱার্দকী ওইনা অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয়, প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং সমির বর্মাগী মমিংসু রেক্কমেন্দ তৌখি।

মমাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ ২০২১গীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগী মমিং অদু ফেদরেসনশিংনা থাগৎলক্কবা জুন ২১গী মতম পীখিবনি। অদুবু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফেদরেসনশিংগী মায়কৈদগী পীখৎলক্কদবা রেক্কমেন্দেসনশিং অদুগী মতম শাংদোকখি।

নেসনল স্পোর্টস এৱার্দকী মরমদা অহানবা ওইনা হৌখিবা চহীদা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী শান্নরোয় মঙা রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ পূন্না পীখি। মখোয়শিং অদুদি, টেবল টেন্নিসকী মনিকা বট্রা, ক্রিকেটকী রোহিট শর্ম্মা, রেষ্টলিংগী ভিনেশ ফোগট, হোক্কীগীদা রানি রামপাল অমসুং পেরা এথলিটকী হাই জম্পর মারিয়াপন থেঙ্গাবেলুনি।

# অভিমন্যু মিশ্রানা চেছ মশান্নগী খ্বাইদগী নহা ওইবা গ্রান্দমাষ্টরগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে




ন্যু দেল্লী, জুলাই ০১ (এজেন্সী): যু এস এদা লৈবা ইন্দিয়া মচা অভিমন্যু মিশ্রানা চেছ মশান্নগী খ্বাইদগী চহী নৌবা গ্রান্দমাষ্টরগী রেকোর্দ অদু থম্বা ঙমখ্রে।

অভিমন্যু মিশ্রানা হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অমদা মহাক্কী অহুম্লকশুবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম অদু ফংদুনা রেকোর্দ অসি থম্বা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ১২দা ঙাইরিবা যুএস এগী ন্যু জর্সিদা লৈবা ইন্দিয়া মচা অসিনা চেছ মশান্নগী ওইনা গ্রান্দমাষ্টর থাক অদু য়ৌননবা তঙাইফদ্রিবা ঈ এল ও রেটিং ২৫০০ অদু লান্থোকপা ঙমখিবনি।

মিশ্রানা রেকোর্দ অসি মমাংদা রসিয়াগী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর সর্গে কার্জাকিননা কুমজা ২০০২গী ওগষ্ট ১২দা মশাগী চহী ১২গা থা ৭ শুরকপদা থমখিবা রেকোর্দ অদু মশাগী চহী ১২ অমদি থা ৪গা নুমীৎ ২৫নি শুবদা থুগায়বা ঙমখিবনি।

অভিমন্যু মিশ্রানা মালেমগী চেছ মশান্নদা খ্বাইদগী চহী নৌবা গ্রান্দমাষ্টর ওইরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বিস্বানাথন অনন্দনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না ফোঙদোরকপদা মিশ্রাগী রেকোর্দ অসিনা ইন্দিয়া মচা অমনা চেছ মশান্নদা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা অসি য়াম্না চাওথোক্লিংঙাই ওই। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী মনুংদা মহাকসু অমা ওইরবনি। লোয়ননা চেছ মশান্নদা মমাংগী চহী কয়াদা রসিয়ানা দোমিনেট তৌদুনা লৈখিবা অদু হৌজিক্কী ওইনা শক্তম হোংদুনা নহা ওইবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিনা খূদুম চনবা ঙম্নবগী তাঞ্জা অদু লাক্লে হায়না অনন্দনা মখা তাখি।

# গুরুময়ুম কেনেদি শর্ম্মাবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চরাংপাৎ মমাং লৈকাইদা লৈবা অরোং নিংথৌলাই উমংগী শান্নবুংদা সী এ ৱাই এ ক্লবনা শীন্দুনা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্টকী প্রমোসন ফংলবা বেনগী মথক লৈকাইগী গুরুময়ুম কেনেদি শর্ম্মানা গোল্ড মেদল ৭ লোয়ননা ট্রোফি অহুম লৌরকপা ঙমখিবা অদুগীদমক তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

১৪ ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, ফাইব ভিলেজ (চরাংপাৎ, নেপ্রা, ইচম খুনৌ, থোকচোম অমসুং বেনগী)না পূন্না শীন লাংদুনা জিল্লা পরিষদ পি ঐচ হেরামণি, ১৪ ক্লবসকী এদভাইজর কে সদানন্দ অমসুং সোসল ৱর্কর খুন্দ্রাকপম প্রেমনাথ য়াওনা গুরুময়ুম কেনেদি শর্ম্মাবু ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা কেনেদিনা মহাক্কী মায়কৈদগী থেংনরকখিবা অৱা-নুংঙাইগী লম্বেল অদু মীয়ামদা থমখি।

# দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা মশাগী রেকোর্দ থুগায়দুনা টোকিও পেরালিম্পিককীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পেরালিম্পিয়ন জেভলিন থ্রোৱর দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা মশানা থমখিবা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিটকী ওইবা জেভলিন থ্রোগী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমদুনা টোকিও পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।




দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা ঙসি ন্যু দেল্লীগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা জেভলিন থ্রো ইবেন্ট অদুদা মিটর ৬৫.৭১ লংদুনা মহাক মশানা থমখিবা কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক গেমসকী মিটর ৬৩.৯৭কী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখি।

মশাগী চহী ৪০ শুরবা পেরা এথলিট দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা নুপাগী এফ-৪৬ কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা মমাংদা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিক্স অনীদা গোল্ড মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা ন্যু দেল্লীগী ট্রায়ল কম্পিটিসন অদুদা দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা জেভলিন থ্রোদা মিটর ৬৫.৭১ লংদুনা টোকিও পেরালিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবতা নৎতনা অনৌবা পেরা এথলিটশিংগী জেভলিন থ্রোদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

টোকিও পেরালিম্পিক্সতা শরুক য়ারগদবা দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি মহাক্কী ইমুং-মনুংশিংগী অচৌবা মতেং য়াওই। লোয়ননা মহাক্কী কোচ সুনিল টনৱর অমদি ফিটনেস ট্রেনর লক্ষ্য বট্রাগী অচৌবা মতেং য়াওই হায়রি। দেবেন্দ্রনা কুমজা ২০০৪ এথেন্স পেরালিম্পিক্স গেমসতা জেভলিন থ্রোদা মিটর ৬২.১৫ লংলগা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবা অদু কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক্স গেমসতা মিটর ৬৩.৯৭ লংদুনা অমুক হন্না রেকোর্দ থমখ্রবা মতুং ঙসি অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

EMPLOYMENT NEWS


➤ IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
➤ SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
➤ MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
➤ THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
➤ NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

HL-B/6970/28/6-18/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 157**

WIM Tarasova, Viktoriya (2226) - CM Muradov, Soltan (2233)
Titled Tuesday 11th May chess.com INT (2), 2021.05.11

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 d5
4.Nf3 Bg7 5.g3 O-O 6.Bg2 c5
7.dxc5 dxc4 8.Qa4 Na6 9.Be3 Be6
10.O-O Qc7 11.Nb5 Qc8 12.Qa3 Bd5
13.Rfd1 Rd8 14.Nc3 Be6 15.Ng5 Rxd1+
16.Rxd1 Bf5 17.b4 cxb3 18.Qxb3 Nxc5
19.Qxf7+ Kh8 20.Qxe7 Ncd7 21.Nd5 Qc2
22.Nf7+ Kg8 23.Nxf6+...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 156 Ans. :**
31.Rd7 Nxd2 32.Rxf7 Re1+ 33.Kh 2Nf1+ 34.Kh 1Ng3+ Double check 35.Kh2 Rh1#Arabian mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com